**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-10-2023)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মীয়ামগী অমদি মহৈরোইশিংগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহন্নবগীদমক এম.এস.টিগী সিতি বস সার্ভিস অমসুং ষ্টুদেন্টস বস সার্ভিস হয়েংদগী হৌরগনি।

২) কেন্দ্রগী ইন্তর মিনিষ্টরিয়েল কম্মিতিনা ঙসি সিক্কিমদা লাক্তুনা ঈচাউগী ফিভম য়েংশিনগনি।

অমসুং

৩) অসামদা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্লবা আধিবাসি মিলিটেন্ট লিশিং ১,১৮২ দা ঙসি রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ মরি-মরি পীরগনি।

------

লম্বী (এল)ঃ মীয়ামগী অমদি মহৈরোইশিংগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহন্নবগীদমক মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম.এস.টি)না হয়েংদগী সিতি বস সার্ভিস অমসুং ষ্টুদেন্টস বস সার্ভিস হৌরগনি।

রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফালদগী য়াইরিপোক, ককচিং, সেকমাই, বিষ্ণুপুর, লৈশাংথেম অমসুং লম্লাই ফাওবা চেনগদবা সিতি বস সার্ভিসশিং হয়েং হৌদোক্লগনি। অদুগা ইম্ফালদগী ককচিং লমখায়, মোইরাং, সেকমাই, লম্লাই অমসুং ময়াংইম্ফাল ফাওবা চেনগদবা ষ্টুদেন্টস বস সার্ভিসসু হয়েং হৌদোক্লগনি।

পুলিস (এল)ঃ হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীয়ামা ৱাকৎ খোঙজং খরা চংশিনবা নত্তনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্ষাগী ফিভম ফগৎলক্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙরাং থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখুখি। থা অসিগী ৬ তা মণিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিব-হুন্বগী থবক চখবদা মীওই অহুম খুৎলায়গা কোন্ননা চুরাচান্দপুর জিলাদগী ফাখি। মখোয়দগী ইন্সাস রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০ অমদি ৱাকি-টোক্কি সেট অনিসু ফংখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগীসু মণিপুর পুলিসনা করবাইন অমা অমদি পিষ্টোল অমগা লোয়ননা কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭৭ সু ফাগৎখি।

সিক্কিম ঃ সিক্কিমদা হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাউ অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ৩০ শুখ্রে। মখোয়গী মনুংদা লান্মীগী মীওই ৯ য়াওরি। মীওই ৮১ দি হৌজিকসু থিবা খঙদনা লৈরি।

ঈচাউ অদুনা য়ুম লিশিং ১,৩২০ সু পুমাং মাংহনখ্রে, থোং ১৩ সু অমাং অতা থোকহনখ্রে। ঈচাউনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক রিলিফ কেম্প ৩০ হাংদোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই লিশিং ৭ হেন্না চংজফম লৌদুনা লৈরি। মুখ্য মন্ত্রি প্রেম সিংহ্ তমাংনা ঙরাং নাগা অমসুং মাংগন জিলাশিংগী ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং অমদি রিলিফ কেম্পশিংদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি আজয় কুমার মিশ্রানা সিক্কিমগী চীফ সেক্রেটরি অমদি অতৈ বিভাগশিংগী মকোকশিং, তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমদি লান্মীগী মীওইশিংগা লোয়ননা ঙরাং গেংতোক্কী কাসি লিঙ্ক সেক্রেটরিয়েটতা মীফম পাঙথোক্তুনা ঈচাউ অদুগী মতাংদা খন্নখি। মহাকা হায়- কেন্দ্রনা রাজ্য অদুদা থোক্লিবা ঈচাউগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লি অমসুং দরকার লৈবা তেংবাং খুদিংমক পীরি। শ্রী মিশ্রানা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদসু চত্তুনা য়েংশিনখি।

শ্রী মিশ্রনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় মঙা- লৌউ

শিংউ, রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ, জল শক্তি, ইনর্জি অমসুং শেল থুম মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসারশিং য়াওবা ইন্তর মিনিষ্টরিয়েল কম্মিতি অমা শেম্লে। কম্মিতি অসিনা ঙসি সিক্কিমদা লাক্তুনা ঈচাউ অসিনা অমাং অতা কয়াম থোকহল্লিবা অমদি তেংবাং পীবগী থৌওং য়েংশিনগনি।

অসাম ঃ অসামদা খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরক্লবা আধিবাসি মিলিটেন্ট লিশিং ১,১৮২ দা ঙসি রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ মরি-মরি পীরগনি। তোঙান তোঙানবা আধিবাসি মিলিটেন্ট গ্রুপ ৫ গী মীওইশিং অদু চহি অসিগী জ্লাই থাদা সরকারদা চংজরকখিবনি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা মখোয় অমমমদা লুপা লাখ মরি মরিগী চ্যেক অমমম খুৎশিন্নগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- মিলিটেন্ট গ্রুপ মঙা অদুনা মমাং চহিদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগা নাকল অহুমগী ওইবা শান্তিগী য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখিবনি।

অমিত ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হৌজিক লৈবাক অসিদগী তেরোরিজম মরু ফংনা মুখৎনবগী মতম অদু লাক্লে। মহাকা হায়- ঐখোয়না তেরোরিজমগী থবকশিং পুমথিং থিংনবা হোৎনমিন্নগদবনি।

দেহরাদুনদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া পুলিস সাইন্স কংগ্রেসকী ৪৯ শুবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম, জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমদি লেফটৱিং এক্সত্রিমিষ্টশিং লৈবা মফমশিংদা হৌখিবা চহি ৯ অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম নিংথিনা ফগৎলে। মহাকা হায়- লেফটৱিং এক্সত্রিমিষ্টশিং লৈবা মফমশিংদা ফিভম ফগৎলক্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নিংথিনা পায়খৎপা ঙমলে।

মদুগী মমাংদা, শ্রী সাহনা ঙরাং নরেন্দ্রনাগরদা সেন্ত্রেল রিজনেল কাউন্সিলগী ২৪ শুবা মীফমদসু সভাপতি ওইখি।

প্রধান ঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি ইন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- মহৈরোইশিংনা হোংলক্লিবা মতমগী শিংনবা কয়া

মায়োকবগা লোয়ননা মতমসিগা চুশিন্ননবা হোৎনবা তঙাইফদে।

পুনেদা ঙরাং গোখলে ইন্সটিট্যুট ওফ পোলিতিকেল সাইন্স এন্দ ইকোনোমিক্সকী ২৯ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা ভারত অসি মালেমগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী শক্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইনবা চংশিল্লক্লিবা অসিদা হৌগৎলক্লিবা মীরোলনসু চাউনা থৌদাং য়ানবা তকশিনখি। শ্রী প্রধান্না হায়- মালেম অসিনা আর্টিফিসিয়েল ইন্টেলিজেন্স অমসুং মেচিন লার্নিংগুম্বা টেকোলোজিশিংগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়- আর্টিফিসিয়েল ইন্টেলিজেন্সনা দাটাশিংবু হেন্না অরাইবা মওংদা শিজিন্নবা ঙমহল্লে। অসিগুম্বা মতমগী হোংলকিবা অওনবা কয়া অসি খঙজিনবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংনা মশাগী চৎকদবা লম্বী খনগদবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা অনৌবা ইদুকেসন পোলিসি চৎনরে। থবক থীবা অমা ওইবগী মহুৎতা থবক পীবা ঙম্বা মীওই অমা ওইনবা হোৎননবসু মহাকা মহৈরোইশিংদা আপীল তৌখি।

গেমস ঃ ভারতনা হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা তকমান ১০০ গী মথক্তা ফংদুনা শান্নবগী লমদা নৌবা ইতিহাস অমা শেমখ্রে। গেমস অসিদা ভারতনা সনাগী ২৮, লুপাগী ৩৮ অমসুং সেঞ্জেংগী ৪১ পুন্না তকমান ১০৭ ফংখি। মরুওইবা গেমস অহুম ওলিপিক্স, কম্মনৱেলথ গেমস অমস্ং এসিয়ান গেমসতা ভারতনা তকমান ১০০ গী মথক্তা ফংখিবসি হন্দক্কী অসিনা অনিসুবনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- গেমস অদুগী ১৪ নি চনবা নুমিৎতা ভারতকী শান্নরোইশিংনা থোইদোক হেন্দোকপা মখোয়গী হৈ শিংবশিং অদু উৎপগা লোয়ননা সনাগী তকমান ৬, লুপাগী ৪ অমস্ং শেঞ্জেং তকমান ২ লৌবা ঙমখি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি অনুরাগ সিংহ ঠাকুরনা হাংঝৌ এসিয়ান গেমসতা ভারতনা তকমান ১০০ হেন্না লৌরকপদা শান্নরোইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

গেমস অসিদা চাইনানা সনাগী ২০০, লুপাগী ১১১, শেঞ্জেংগী ৭১ পুন্না তকমান ৩৮২ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। জপান্না সনাগী ৫১, লুপাগী ৬৬, শেঞ্জেংগী ৬৯ পুন্না তকমান ১৮৬ ফংদুনা অনিসুবা অমসুং খা কোরিয়াদা সনাগী

৪২, লুপাগী ৫৯, শেঞ্জেংগী ৮৯ পুন্না তকমান ১৯০ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। ভারতনা মেদল টেল্লিদা মরিসুবদা লৈরে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজগী ক্লাস হৌবগী পাউ, সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিতিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অমদি মন্ত্রি খেমচান্দগীদা বোম পোকখায়খিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পিপলস ক্রোনিকল পাউচেদা- ইরাংনা শোকহল্লবা চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজগী ক্লাস হৌরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা খুৎলায়গা কোন্ননা মীওই অহুম চুরাচান্দপুরগী বেথেল খুলদগী ফারে হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী পাউচেদা- অনিসুবা ইন্তরনেসনেল রাইটরস মিট হায়না কলর হেদলাইন অমা পীদুনা ইন্দিয়াদা লান্দারকপনি হায়বা খঙলকপা অফবা খোঙথাংনি হায়বা আর.কে. সনায়াইমানা ফোংদোকখিবা ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসিদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মীগীদা চত্তুনা অফংবা থবক শুদ্না হিংননবা হোৎনরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেদা- দিষ্ট্রিক্ট, সব-দিভিজন, লৈকাই, ইন্সটিট্যুসনশিং মমিং ওনবা য়ারোই হায়না মণিপুর সরকারগী চীফ সেক্রেটরি বিনিত জোসিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা জিরিবামদগী লাঞ্জেন্নরকখিবশিং ময়ুমদা হনখ্রে হায়বা হেদলাইনদা পাউ অমসু ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা- অসামগী ফুরুপ ৪১ এস.টি লিষ্টতা চনখিগদৌরে, মীতৈসু য়াওহৌনবা রিকমেন্দেসন য়াওবীয়ু হায়বা হেদলাইনদা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউচে অসিদা শোক্লবা মহৈরোইশিং লায়েংবদা য়ুরোপ, সিঙ্গাপুর, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ আফ্রিকা, য়ু.এস.এ অমসুং কেনাদাদগী শেলগী মতেং পীনরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা- মিনিষ্টর খেমচান্দগী থোঙ্গানদা শকখঙদবশিংনা হেদগ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউচে অসিদা চুরাচান্দপুরদা দি.সিনা চেয়ার লৌদুনা সেক্যুরিতি কো-ওর্দিনেসন কম্মিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- পোপি লোক্ত্রিঙৈদা তুমা মাংহনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে হায়বা আর.পি.আই (অথৱালে)গী নেসনেল সেক্রেতরি মহেশ্বর থৌনাউজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা চহি শুদনা লুহোংবগী চৎনবীনা মণিপুরদসু নুপী কয়া অৱাফমদা তারি হায়বা হেদলাইন তৌদুনা এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসিগী মখাদা ইন্দিয়াদা চহি খুদিংগী অঙাং নুপীমচা লাখ ১৫ রোম চহি শুদনা লুহোংনরি হায়না বোক্স আইটেম অমসু হাপ্লি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- হমাস এটেক্তা ইজরেলগী মীওই ৪০ হেন্না হাৎখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা লৈবাক অসি লান নংলে হায়না ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- তমেংলোং জিলাদা অমুর ফেলকন পাইরকপগী পাউ এনকর কলমদা ফোংলি। পাউচে অসিদা মহৈরোইশিংগী বস সার্ভিস অমদি সিতি বস সার্ভিস মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টনা লোঞ্চ তৌরগনি হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা- ইমা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঐখোয়না ঙাক্তনা মীতোপনা ঙাকপা য়ারোই হায়না চাউনা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা রুলিং অমদি ওপোজিসন পার্তিশিংনা হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা লুরবা তানফমসিদা পোলিতিক্স শান্নবগী মতম নত্তে হায়বা মহেশ্বর থৌনাউজমগী ৱাফম ফোংলি। পাউচে অসিদা লিন্থোইঙম্বীগী অশিবা হকচাং ময়ুমদা শিন্নদবা, নুপী খুন্নাইবু শিংনবগীদমক নিংঙোল চাক্কৌবা পাঙথোক্লরোইশি হায়বা খ্বাইরম্বন্দ কৈথৈল লুকমাই শেল্লুক্কী ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

------